হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ০১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৪৬শুবা মশীং

# মণিপুরদা কেস পেন্দিং

## মরী লৈনবশিংনা লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি

মণিপুর পীকচরবসু মখল কয়াগী থৌদোকশিং তোয়না থোকই। থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুগী মরক্তা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংনা য়াদবা, লোশিং অসিগী ৱাংমদা থোকপা থৌদোকশিং য়াওরক্লবদি লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা লোগী মতুং ইনবা থবকশিং লৌখৎলি। হায়রিবা থবকশিং অসি লৌখৎপবু কেস লৌখৎপা কৌই। অদুগা কেসশিং অসি কমপ্লেনেন্ট অমনা রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকপদগী লৌখৎপনি। অদুগুম্বা রিপোর্ট/কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরক্তুবসু মরী লৈনরিবা লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা থোক্লিবা থৌদোক্তুগী গ্রেভিটি য়েংলগা, থৌদোক্তুনা পীবা ইম্পেক্ট য়েংলগা শুও-মোটুদা লৌখৎপসু য়াই। অদুগা কেস লৌখৎপসি মাগী মাগী লৈজরবা, এম্পৱর তৌরিবা এক্ট/রুলগী মতুংইন্না লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিং খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা কম্মিসনশিং অমসুং ৱায়েল লোয়শঙশিংনসু লৌখৎপগী অয়াবা পী। মরী লৈনবা কেসশিং লৌখৎলগা মদুগী ৱায়েলশিং চখৈ। ৱায়েলদুগী মতুং ইনবা ওর্দর/রেকমেন্দেসনশিং মরী লৈনবা কেসকী পার্টি অমসুং ওথোরিটিশিংদা পী। অদুবু মণিপুরদা পন্দুনা লৈবা কেস/কেসশিং হায়রগদি তোঙান তোঙানবা থাক্কী ত্রাইয়েল কোর্টশিংদা লৈরিবা কেস অমসুং লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা রেজিষ্টর তৌদুনদি লৌখৎলগা কেসতুগী ৱায়েল চথনবগীদমক মরী লৈনবা কোর্টতা লানখৎলক্ত্রিবা কেসশিংনি হায়বা য়াই। অদুবু মখল অনীগী কেসশিং অসি য়ারিবমখৈ পলহন্দনা তৌফম থোকপা থবকশিং চেনা পন্দনা পাঙথোকপা হায়বগী ৱাফম লাক্লগদি ৱায়েলশঙশিংগা কেস রেজিষ্টর তৌবা ঙম্লিবা ওথোরিটিশিংগী মরক্তা খূৎশম্নবা, থোং মান্নবা চঙই। নাকল অনীমক্না খূবাক নাম্মা-নাম্মা ওইরগা পূন্না খুরগা মখোল থোকহনগদৌরিবনি। কেস অমগী পাঙথোকফম থোকপা ৱায়েল চথরগা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কদৌরিবনি। লোয়ননা থবকসি থিন্নহন্দনা মতম চানা তৌহৌগদবনি, শারিঙৈদা য়েহৌগদবনি হায়বগী ৱাফমসু শাগোন্নরকপনি।

অদুবু লো-এনফোর্সিং এজেন্সী অমসুং কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগী মপাঙ্গল হাপ্নবা পীরিবা বোদি/এজেন্সী অমনা কেস লৌখৎলে হায়দুনা মখা চত্থদনা তূমিন্না লৈশিনবা তৌরোইদবনি। তূমিন্না লৈশিনবগী থৌদৌসি কেস পূন্নমক্তা থোকপবুদি নত্তে। অদুবু মীয়াম্না খঙনীংবগা লোয়ননা অচুম্বা ৱায়েল পন্থদনা ফংহন্নীংবা থৌদোক খরগী কেসতদি ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা লৈথোকপা য়াওই। মসিদি চুমদে। কেসতুগী ৱায়েল কোর্টনা চত্থরগা মরাল লৈবা নৎত্রগা লৈতবা হায়বদুদি কোর্টনা লোগী মতুংইন্না লেপচগদবনি। কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা এজেন্সীনা কেসতুগা মরী লৈননা মীওই অমা নৎত্রগা খরা মরাল লৈরে নৎত্রগা লৈতে হায়দুনা লেপথোকপা ঙমদবনিনা ৱায়েল চত্থরগা মরাল লেপথোকপা ঙম্বা ৱায়েলশঙদা য়ারিবমখৈ থুনা ৱায়েল চত্থনবা হোৎনগদবনি। কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসনগী মথৌ তাবা থবক-থৌরমশিং মপূং ফানা লোইশিনগদবনি। মেদিকেল নৎত্রগা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংগী ওপিনিয়ন লৌবগী তঙাইফদবা লৈবা কেসশিংগীদি হায়রিবা মচাকশিংসি শুহনগদবনি। প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন লৌবগী মথৌ তারবসু লৌদুনা মরী লৈনবা কোর্টতা ৱায়েল চত্থনবা চার্জশীট ফ্রেম তৌগদবনি। অদুগা ৱায়েলশঙশিংনসু মখোয়দা লানখৎলকপা চার্জশীটশিংগী হিয়ারিং পাঙথোক্তুনা চার্জশীটতা এক্ক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদগী লোয়নমক নৎত্রবসু কনা-কনাগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌবা য়াবগে য়েংলগা ৱায়েল চত্থবা হৌনবা থবক পায়খৎকদবনি। অদুগা ৱায়েল চত্থরক্লগনা কেস পার্টিশিংগী মায়কৈদা মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা কাউন্সেল, কেসতুগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর, প্রোজিক্যুসন অমসুং দিফেন্স ৱিটনেসশিং য়াওনা মরী লৈনবা পূন্নমক্না মতেং পাংশিনবা চঙই। পূন্নমকসিগী মথক্তা ৱায়েলশঙ অদুগী প্রিসাইদিং ওফিসর, প্রোজিক্যুটরশিংগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। মরী লৈনরিবা পূন্নমকসিনা মাগী মাগী পাঙথোকফম থোকপা মথৌশিং মতম চানা অমসুং লোগী মতুংইন্না পাঙথোক্লরক্লগদি হৌজিক চহী ৫ অমসুং চহী ১০গী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা কেস ময়ামসি ঙসি ফাওবদা পন্দুনা, লৈখাই তাদনা লৈবা য়াওবদি য়াওরক্লোই হায়নীংই। মরমশিং অসিনা মরী লৈনবা পূন্নমক্না কেসশিং য়ারিবমখৈ পেন্দিং লৈতনবা হোৎনহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) *"শীঙেন নাচোম"* হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) *"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"* হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) *"কেকু লোৎপী"* হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)***

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৪,৫)

৩) অকোইজম নোংমাইনিংথৌ, খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়- (২,৪,৫)

৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিংসন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩০গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# মিথেনদগী ঙাগী মচিঞ্জাক শুংবা : ঙাগী মচিঞ্জাক পুথোকপগা লোয়ননা গ্লোবল ৱার্মিংসু হন্থহনবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

মিথেন হায়বসি গ্রীনহাওস গ্যাস অমা ওইবনিনা ফ্যুল ওইনা শীজিন্নবা য়ারবসু এটমোসফিয়রদা য়াওরিবা মিথেননা মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎহন্দুনা ক্লাইমেট সিষ্টমদা অপনবা পীরকই। মিথেন অসি এন্থ্রোপোজেনিক (মীওইবনা থোকহনবা) অমসুং মহৌশাগী ওইবা থৌওংশিংদগী নুংশিৎতা থাদোরকই। এন্থ্রোপোজেনিক ওইবা হৌরকফমশিংগী মনুংদা অমোৎ-অকায় অমদি ফত্ত-হৌদি পৈশিনফমশিং, থাউ অমসুং নেচরেল গ্যাস সিষ্টমশিং, লৌউ-শিংউবগী থবকশিং, কোল মাইনিং, অমোৎপা ঈশিং শেংদোকপগী থবকশিং অমসুং অকক্নবা ইন্দষ্ট্রিগী থৌওংশিং য়াওরি। মিথেন অসিনা কার্বন দাইওক্সাইদতগী হেন্না মৈশা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্মী। অদুনা নুংশিৎতা য়াওরিবা মিথেনবু অতোপ্পা কান্নবা পোৎশিংদা ওন্থোকখিদুনা নুংশিৎতা থাদোরকপগী চাং হন্থহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই।

হৌজিক ফাওবদা মিথেনবু বেক্টিরিয়া শীজিন্নদুনা ঙা অমসুং উচেকশিংগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়ারবা প্রোটিনদা ওন্থোকপগী থবক্তা মায় পাকপগী পাউদম খরা লৈখ্রে। মখোয়গী মনুংদগী বেঙ্গলুরুগী 'ষ্ট্রিং বাইও' না য়িষ্টশিং শীজিন্নদুনা কার্বোহায়দ্রেট য়াওবা চিঞ্জাক্তগী য়ু শুংবগী থৌওংগা মান্নবা মওং অমদা ফর্মেন্টেসন তৌহন্দুনা মিথেনবু প্রোটিনদা ওন্থোকপা ঙম্লে হায়রি। অসিগুম্বা প্রোটিনশিংবু মখা তানা প্রোসেসিং তৌরবা মতুংদা শীজিন্নবা য়ারবা ঙাগী মচিঞ্জাক্তা ওন্থোকপনি হায়রি। থৌওংসিদি অনেম্বা টেম্পরেচর অমসুং প্রেসরদা পাঙথোকপা য়াই। অতোপ্পা অমনা, কালিফোর্নিয়াগী এনিমেল ফীদ কম্পেনি Calysta নসু মিথেনবু প্রোটিনদা ওন্থোকপা ঙম্বগী মতাংদা পাউদম্নরকখ্রে। মখোয়গী থৌওংশিংসিদি মরু ওইনা থাওগী কম্পেনিশিংনা সপ্লাই তৌরকপা নেচরেল গ্যাস শীজিন্নে।




Sahar El Abbadi

নবেম্বর ২২, ২০২১দা 'নেচর সষ্টেনেবিলিটি' দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না ষ্টানফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনা বেক্টিরিয়া শীজিন্নদুনা মিথেনবু ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। অসিগুম্বা থৌওংনা পুথোরক্লিবা ঙাগী মচিঞ্জাকসি হৌজিক হৌজিক ঙাগী মচিঞ্জাকশিং শুংবদা চঙলিবা শেনফমদগী হন্থহনবা ঙম্মী। অদুনা অহোংবা মমলদা মালেমদা ঙাগী মচিঞ্জাক ফংহনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরকপা য়াই হায়রি। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি, য়ু এসকী ইন্দষ্ট্রিশিংদগী থাদোরক্লিবা মিথেনবু ফাজিনবগী থবকসি ইকোনোমিকল ওইদ্রি হায়না ষ্টানফোর্দকী সিভিক, লিবরেল এন্দ গ্লোবল এদ্যুকেসন প্রোগ্রামদা লেকচরর ওইরিবা, Sahar El Abbadi না ফোঙদোক্লি। মসিমক ওইদুনসু বাইওটেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা খুদোংচাদবা অসিবু কোকহনবা ঙমগনি হায়না মহাক্না থাজবা থল্লি।



Craig Criddle

মিথেননা গ্লোবল ৱার্মিং থোকহনবদা নত্তনা ত্রোপোস্ফরিক ওজোনগী চাংবুসু হেনগৎহন্দুনা নুংশিৎকী মগুণ হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়নাশিং নাহন্দুনা মালেমদা চহী অমদা মী মিলিয়ন অমমুক মনুং-মতম চাদনা শিহল্লি। ইন্দষ্ট্রিঅল রেভল্যুসন হেক লাকপদগী কার্বন দাইওক্সাইদকী চাং হেনগৎলকপগী চাংগী শরুক অনীদগী হেন্না মিথেনগী রিলেটিভ কন্সেন্ত্রেসন হেনগৎলকই। অসিগুম্বা ফীভমসিদগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বে অমদি মিথেনবু লৌশিনবা ঙম্বা, মিথানোত্রোফ হায়না খঙনবা বেক্টিরিয়া অসিবু শীজিন্নবনি।



মিথেনগী মতেংনা হিংবা বেক্তিরিয়া মখল অমা

বেক্টিরিয়া মখলসি ওক্সিজেন অমসুং নাইট্রোজেন, ফোস্ফরস অমসুং ধাতু মখল খরগুম্বা ন্যুত্রিঅন্টশিং হাপচিল্লবা, প্রেসরাইজদ মিথেন য়াওবা, ঈংহল্লবা ঈশিং হাপ্পা বাইওরিএক্টর অমদা হিংবা ঙম্মী। থৌওংসিদগী ফংলক্লিবা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওরবা বাইওমাস অদুবু মখা তানা প্রোসেসিং তৌরগা ঙাগী মচিঞ্জাক শুংই। নেচরেল গ্যাস শীজিন্নবগী মহুত্তা অমোৎ-অকায় পৈফমশিং, অমোৎপা ঈশিং শেংদোকপগুম্বদগী থাদোরকপা মিথেন শীজিন্নবনা নুংশিৎতা মিথেন থাদোরকপা হন্থহনবগা লোয়ননা ঙামীশিংদা হেন্না কানবা পীগনি হায়না ষ্টানফোর্দকী স্কুল ওফ এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর Craig Criddle না ফোঙদোক্লি। মসিনা কানবা কয়ামুকসু ফংহনবা ঙমগনি। মখোয়গী মনুংদা নুংশিৎতা গ্রীনহাওস গ্যাস হন্থহনবা, হেন্না ষ্টেবল ওইবা ইকোসিষ্টমশিং অমসুং পোজিটিভ ফাইনান্সিঅল আউটকমশিং ফংহনবা য়াওরি।

মালেমদা প্রোতিন অমসুং মাইক্রোন্যুত্রিঅন্টশিংগী মরু ওইবা ফংফম ওইরিবা সীফূদ চাবসি কুমজা ১৯৬০গী মতমদগী শরুক মরি হেন্না হেনগৎলক্লে হায়না পানরি। মসিনা মরম ওইরগা ৱাইল্ড ফিশ ষ্টোক্কী চাং য়াম্না হন্থরক্লে, অদুনা ঙাগী ফংফম ওইরিবা সীফূদকী তঙ্খাই অমদি ঙামীশিংনা ফিশ ফার্মশিংদগী পীরি। ঙামীশিংনা অহোংবা মমলদা ঙাগী মচিঞ্জাকশিং ফংহনবা পাম্মী, অদুবু ঙাগী মচিঞ্জাক্তি নোংম-নোংমগী তাঙখৎলক্লি হায়বা য়াই। ঙামীশিংনা দরকার ওইরিবা অহোংবা মচিঞ্জাকশিংসি পীবা ঙম্নবগী পান্দমদা ষ্টানফোর্দকী থিজিন-লূপ অসিনা অমোৎপা ঈশিং শেংদোকপগী প্লান্টশিং, অমোৎ-অকাই পৈফমশিং অমসুং ওইল এন্দ গ্যাস ফেসিলিটিশিংদগী ফংবা মিথেন শীজিন্নরগা, লোয়ন-লোয়ননা কম্মর্সিঅল নেচরেল গ্যাস গ্রিদতগী নেচরেল গ্যাস লৈরগা ঙাগী মচিঞ্জাক পুথোক্লবগী মোদেলশিংদা থিজিনবগী থবকশিং পায়খৎখি।

অমোৎ-অকাই পৈফমশিং অমসুং ওইল এন্দ গ্যাস ফেসিলিটিশিংদগী মিথেন লৌশিল্লগা শীজিন্নবগী মোদেলশিংদা, মিথানোত্রোফ বেক্টিরিয়াশিং শীজিন্নরগা ঙাগী মচিঞ্জাক টন অমা পুথোকপদা চঙখিবা শেনফমসি মথংশিৎনা দোল্লর ১,৫৪৬ অমসুং দোল্লর ১,৫৩১নি। মসি হৌখিবা চহী ১০দা কৈথেলদা ফংখিবা চাংচৎকী ওইবা মমল দোল্লর ১,৬০০তগী হন্থে। অমোৎপা ঈশিং শেংদোকপগী প্লান্টশিংদগী ফংবা মিথেল শীজিন্নরগনা টন অমদা দোল্লর ১,৬৪৫ চঙখি - মসি কৈথেলগী চাংচৎকী ওইবা মমলদগী হেল্লি। কম্মর্সিঅল গ্রিদশিংদগী মিথেন লৈবা মতমদনা মিথেন লৈবগী মমলদুনা মরম ওইরগা টন অমদা দোল্লর ১,৭৮৩ চঙখি।

মোদেল খুদিংমক্তা চঙখিবা শেনফমগী অয়াম্বা শরুক্তি ইলেক্ট্রিসিটিনা ওইখি, মসিদা চাংচৎকী অপূনবা চঙখিবা শেনফমগী চাদা ৪৫দগী হেন্না চাদিং তৌহনখি। মিসিসিপি অমসুং টেক্সাসকুম্বা ইলেক্ট্রিসিটিগী মমল হোংবা ষ্টেটশিংদা পুথোকপদা চঙখিবা শেনফমসি চাদা ২০ ফাওবা হন্থহনবা ঙমখি। অদুনা মিথেনদগী ঙাগী মচিঞ্জাক পুথোকপগী মমলসি টন অমদা দোল্লর ১,২১৪ খক্তমক ওইখি। ঈংহনবগী চাং হন্থনা দরকার ওইবা, মৈশা ফজনা চেলহনবা ঙম্বা রিএক্টরশিং শেমগৎলবা অমসুং লেম্না মাঙখিগদৌরবা গ্যাসশিংবু ইক্ট্রিসিটি পুথোকপদা শীজিন্নবা য়াবা পাম্বৈশিং হাপচিল্লবদি ইলেক্ট্রিসিটি শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা অচংবা শেনফম হন্থহনবা ঙমগনি। অদুগা অমোৎপা ঈশিং শেংদোকপগী প্লান্টশিংদগী মিথেন ফংবগী মোদেলদদি অমোৎপা ঈশিং অদুমকপু নাইট্রোজেন অমসুং ফোস্ফরস ফংহনবা অমসুং ঈংহনবগী থবক্তা শীজিন্নবসু য়াগনি।

মতৌ অসুম্না অসিগুম্বা ফীভমশিংসিদা হেন্না ফগৎহল্লবদি, মিথানোত্রোফ শীজিন্নদুনা ঙাগী মচিঞ্জাক পুথোকপদা শেল চঙবগী চাংসি চাদা ২০ হন্থহনবা ঙমগনি। থিজিনখিবা অসিগী মতুংইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসখক্তদা মিথেন লৌশিল্লগা পুথোকপা ঙাগী মচিঞ্জাক্না মালেমগী দরকার ওইরিবা ঙাগী মচিঞ্জাক পূন্নমক শেন্দোং লৈনা অমসুং মমল হোংনা পীবা ঙমগনি হায়রি। ●

# শান্নবদা লৌনম্বী অমা ফাবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

Stanisława Walasiewicz পোলেন্দগী রায়পিন কৌবা মফমদা কুমজা ১৯১১গী এপ্রিল ৩দা পোকখি। মহাক্না অঙাং পিশক ওইরিঙৈদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ক্লিভলেন্দ কৌবা Ohio ষ্টেটতা লৈবা সহর অমদা হোংলকখি। মহাক মফম অদুদা চাওদুনা Stella Walsh হায়না খঙনখি। মহাক্না কুমজা ১৯৩০গী মে ৩০দা গজ ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১গী মনুংদা চেন্দুনা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা মালেম পূম্বা শিনবা থুংনা পাউ অসি য়ৌখি। কুমজা ১৯৩২ য়ৌরকপদা মহাক চহী অদুমক্তদা লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না অমেরিকা মচাশিংনা য়াম্না আশা তৌনা লৈনরম্মী। অদুবু মহাক্কী প্রোব্লেম অমা লৈরম্মী মদুদি মতম অদুদা মালেম পূম্বদা শেল থুমগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা ওলিম্পিক অদু পাঙথোকপা ঙম্লোইদ্রা হায়বা অদুনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিনা মহাক্না ন্যু য়োর্ক সেন্ত্রেল রেলরোদতা থবক তৌবা অদু তোকহনখি। অদুবু Cleveland Recreation Department না মঙোন্দা থবক অমা পীরম্মী অদুবু থবক অদু হেক চঙলুবদা মহাক ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা য়ারোইদৌরি। মরমদি মতম অদুদা ওলিম্পিক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ফিজিকেল এদ্যুকেসন নৎত্রগা রিক্রিয়েসন (Physical Education or Recreation) গা মরী লৈনবদা থবক তৌদুনা তোলোপ চাবা অমদি শেল ফংবা মীওইশিংনা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা য়াহন্দে। মখোয়বু প্রোফেসনেল অমগুম্না লৌই, ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা খুদিংমক এমেচর ওইগদবনি, শান্নবদা শরুক য়াবগীদমক শেল লৌবা য়াদে। মহাক্না লৈরিবা লৈবাক অদুগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংদবা মরম্না মহাক অতোপ্পা লৈবাক অমদা চৎপা পাল্লমখি। অদুবু নোংমদি মহাক অমেরিকানশিংনা মহাকপু অমেরিকাদা লৈবা য়ানবা য়ু এস নেচরেলাইজেসনগী চে চাং পীনবা শেম শাদুনা লৈরিঙৈগী পুং ২৪গী মমাঙদা ন্যু য়োর্কতা লৈবা পোলেন্দগী কন্সুলেটনা মহাকপু থবক অমা হাপ্পীদুনা মহাকপু ওলিম্পিক গেমসতা পোলেন্দগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবা ফংহংনখি। মহাক্না কুমজা ১৯৩২দা অমেরিকাগী সহর লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোকখিবা ১০শুবা ওলিম্পিক গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মালেমগী রেকোর্দকা চপ মান্ননা সেকেন্দ ১১.৯দা চেন্দুনা সনাগী মেদল লৌখি। অমেরিকাগী সিটিজন মতম চানা ফংদবনা মহাক পোলেন্দগীদমক ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবনি। অদুবু মসিনা মরম ওইদুনা মহাক্না কুমজা ১৯৩২দা চে থাখিবা নেচরেলাইজেসনগী চে চাংশিং অদু কুমজা ১৯৪৭তা য়ু এস এগী লৈঙাক্না শিন্নখি।

চহী মরিগী মতুংদা কুমজা ১৯৩৬কী বর্লিন সহরদা পাঙথোকখিবা মথংগী ওলিম্পিক ১১রকশুবদা মহাক অমুক হন্না শরুক য়াখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফুট তরুক ৱাংবী হেলেন ষ্টেফেন্স কৌবী ফুলতোন হায় স্কুলগী মহৈরোয় অমগা অকনবা লম্বা তৌনখি। হেলেন ষ্টেফেন্স মহাক্কী স্কুলগী কোচ বর্টন মুরনা মিটর ৫০বু সেকেন্দ ৫.৮দা চেনবা ঙমহনখিবা নুমিত্তগী মহাকপু হীরম অসিদা থৱায় য়াওনা তাকপী তম্বীখি। মরম অসিনা কুমজা ১৯৩৪দা অমেচর এঠলেটিক্স য়ুনিয়ন (এ এ য়ু) না এথলেটিক্সকী অথোই অহেন তান্নবা অমা সেন্ট লুইদা পাঙথোকখবদা মহাকপু শরুক য়াহনখি। মদুদা মমান্নবদগী সুইট সার্ট অমসুং খোঙউপ ৱাইরগা খুদক্তুদা শরুক য়াহনখিবা অদুদা মিটর ২০০গী লমজেলদা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখি অমদি ষ্টেন্দিং লোঙজম্প (লেপ্লগা মাঙজোং চোঙবা) দা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখি। মতম খরগী মতুংদা হায়বদি নুমিৎ খরা লৈরগা মহাক্না মিটর ৫০গী লমজেলদা ষ্টেল্লা ৱালসপু মায়থীবা পীরম্মী। মসিদদি ষ্টেল্লাগী হান্নগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুগা চপ মান্নরম্মী। মসিদা ৱালস অসি য়াম্না শাওরম্মী। মখোয় অনী অসি কুমজা ১৯৩৬কী বর্লিন ওলিম্পিক্তা অমুক লম্বা তৌনখিবদা কনাগুম্বা অমত্তনা করম্বনা মকোক ওইগদগে হায়বা ঙমনখিদে। সনাগী মেদলগীদমক মখোয় অনীমক মরায়বক লেপ্নবা কন্না হোৎনরম্মী।

ওলিম্পিককী মিটর ১০০গী অহানবা রাউন্দদা ষ্টেফেননা সেকেন্দ ১১.৪দা মকোক ওইখ। মহাক্না লমজেল অদুগী সেমিফাইনেল অমসুং ফাইনেলদা নুংশিৎনা মহাক্না লমথুংফমগী মায়কৈদা কল্লপ শিৎপা ওইবনা লমজেল্লোয় পূন্নমক্কী মতেং খরা ফংখি অদুবু লমজেল অনী অসিদদি মহাক্কী রেকোর্দ সেকেন্দ ১১.৫নি। অদুবু অনীশুবা তাখিবী ষ্টেল্লা ৱেলসদগী গজ অনী (ফুট তরুক) হেনখি। লমজেল অদু হেক লোয়খিবগা হেলেন ষ্টেফেনবু হিটলরগী মনাক্তা পুশিনবিখি। হিটলরদি নুমিৎ খুদিংগী ওলিম্পিক অদু ষ্টেদিয়মদা য়েংবা লাক্লম্মী। মহাক্কী ফম্ফম অদুগী অকোয়বদা নোংমৈ মরূ চঙদবা গ্লাসনা খাজিল্লি। লমজেল্লোয় অসিনা অসুম্না হায়, "Hitler comes in and gives me the Nazi Salute. I gave him a good old Missouri handshake. He shook my hand, put his arm around me, Pinched me and invited me to spend a weekend with him."

মহাক্না চহী অনী মখায় খক্তমক এঠলেটিক্সতা শরুক য়ারম্লবা মতুংদা কম্পিটিসন্দগী পোখাখ। মহাক্কী লমজেলগী ৱর্ল্ড রেকোর্দশিং অদুদি অতোপ্পা এঠলিটশিংনা থুগাইখিবদা চহী কয়ামুক চঙখি। মহাক মতুং তারকপদা বাস্কেটবোল অমসুং সোফ্ট বোল শান্নরম্লগা সিফাই খন্দুনা অনীশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখি। মতুংদা সেন্ট লুইদা লৈবা দিফেন্স মেপ্পিং এজেন্সি এরোস্পেস সেন্টর (Defence mapping agency Aerospace centre) দা থবক তৌখি। মহাক্না ওলিম্পিক্তা লম্বা তৌনখিবী মহাকপু অনীশুবা পোজিসন তাহনখিবী হেলেন ষ্টেফেনগা মুক্নবা অসি লোইবা ঙম্নবা ওইখিদে। বর্লিন ওলিম্পিক্তা মহাক্না লমজেলদা মেদল ফংখিবা অদুদা পোলেন্দগী পাউচে ইবশিংনা মহাকপু নুপানি, নুপী নত্তে হায়খি। মদুদা জর্ম্মন মচাশিংনা অসুম্না হায়খি মদুদি মহাক ডাক্তরনা চ্যেক তৌরে, নুপীনি। অদুবু মহাক কুমজা ১৯৮০গী দিসেম্বর ৪দা শিখিবা নুমিত্তা মহাক নুপানি হায়বা খঙখি, নুপা ওইরমখি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০গী পাউখুম

১) ***"হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাম্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/ঊনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।"*** পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো? ***:- লৈমরেল মিংখৈ (লা ৭, মিংখৈরোল মশীং ৩৬, ৩৭, ৩৯, ৪০, ৪১, ৪২); লৌথোকফম লাইরিক - লৈমরেল মিংখৈ (চাম্মনিপাল), খোমজিনবা - ওইনাম ভোগেশ্বর, অনীশুবা ফোঙবা, ১৯৯৪।***

২) **"চফূন কায়রবদি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ? ***:- অইবা জি সি তোংব্রা, দ্রামানি (লীলা মচা ৫গী অপূনবা লাইরিকনি); অহানবা খূৎনম মে ১৯৮৩ ইং।***

৩) **"নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি যমুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থ্রি পিরাং মা;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।"** ময়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো? ***:-শৈরেংবা শরত অরাম্বম; লৌথোরকফম লাইরিক - নুংশিবা ঈশৈগী কাউঙমদ্রবা সুর, (শেম শাবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা; অহানবা ফোঙবা সেপ্টেম্বর ৪, ২০১১।***

৪) ***"ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো? ***:- অইবা - কলাচান্দ শাস্ত্রী; অহানবা ফোঙবা ও কে ষ্টোর, ইম্ফাল ১৯৯৬।***

৫) ***"মোহন দাস"*** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো? ***:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী অইবা - উদয় প্রকাশ; লাইরিক মমিং - 'মোহন দাস'; মমিং অসিমক্তদা মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. রাজকুমার মোবী সিংহ; অহানবা ফোঙবা - দিসেম্বর ২০১৫।***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।